# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses




অসাম রাইফলসকী ফিল্ড ফোর্মেসন অমসুং ফোরৱার্দ এরিয়াশিং য়েংশিল্লখিবা ইষ্টর্ন কম্মান্দগী জি ও সী-ইন চীফ লেফটিনেন্ট জেনরেল মনোজ পান্দেনা চীফ মিনিষ্টরগা উনখিবা

হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংবু পূক্নিং থৌগৎতুনা তেংবাঙখ্রে
☛ লামায় ২

ইন্টিগ্রিটি প্রোটেক্সন দে পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৩

কোভিদকী লাইচৎ মনুংদা জে এন ভীগী এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোক্কদৌরি
☛ লামায় ৫

থৌবালদা লৌমীশিংনা হার ফংদবগী অৱাবা চাওনা মায়োক্নরে
☛ লামায় ৬

নিংথৌখোংগী এন ৱাই দল্লিয়ু সী অমদি কোভিদ টাস্ক ফোর্স অপূনবা লূপনা খূৎশম্মদুনা ৱার্দ নম্বর ১০ অমসুং ১৩দা ভেক্সিনেসন তৌখিবা মীয়ামদা সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কনচিংবা খূৎশিন্নখিবা



Vol. 45, Issue No. 123 | য়ূমশকৈশা, ইঙেনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, July 28, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# খম থেংনা হরাওবা ফোঙদোক্তুনা মিরাবাই ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর খৱ্ৰী নত্তনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকখ্ৰবী টোকিও ওলিম্পিক্স সিলভর মেদালিষ্ট সাইখোম মিরাবাই চনু ঙসি নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তারক্পা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমসুং মীয়ামনা খম থেংনা হরাওবা ফোঙদোক্তুনা বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনল এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখ্রে।

মফম অদুদা মহাকপু তরাম্না ওক্লবা মতুং পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা অখন্ননা পাঙথোকখিবা মহাকপু ওফিসল ওইনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে।




সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকপা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা মিরাবাই চনুবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মথংগী ওলিম্পিক্সতা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা গোল্ড মেদল লৌনবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পুকচেল শেংবা অমদি হোৎনববু লেপত্রবদি মায় পাকপা মীওই ওইবা ঙম্মী হায়বদু ঙসিদি মিরাবাই চনুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা তাক্লি। মতুং তারকপদসু মিরাবাইনা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা মণিপুর খৱ্ৰী নত্তনা লৈবাক পুম্নমগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। ঙসি টোকিও ওলিম্পিক্সতা সিলভর লৌরক্লিবা অসি অহানবা খোঙথাংনি। মতুং তারকপদা গোল্ডগী টার্গেট থমদুনা হোৎনগদবনি।

মণিপুরদগী অফবা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লি হায়বসি লমদম অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। হৌজিক শেম শাবগী থবক চখরিবা লৈবাক অসিগী অমত্তা ঙাইরবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিনা মপুং ফানা মথৌ তৌরকপা মতমদা অহেনবা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি। ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ওলিম্পিক্স স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী এসোসিয়েসনশিংদা চহীগী ওইবা ফাইনান্সিয়েল গ্রান্ট পীনবা অনৌবা স্কিম অমা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## নিমাইচান্দ লুৱাং ভর্সেস শ্যামকুমার
# ঙসি সুপ্রিম কোর্টনা করি হায়রক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):
হৌজিক্না দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা ৭-অন্দ্রো এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্লি ইলেক্সনদা কারল্লম্বা থৌনাওজম শ্যামকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৪ ওফ ২০১৭বু কোর্ট অসিনা দিসমিস তৌখিবগী মায়োক্তা পিটিস্নর অসিনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা টি ঐচ শ্যামকুমার অমসুং অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা ফাইল তৌখিবা সিভিল অপীল নম্বর ১০৯২ ওফ ২০২১গী ৱায়েলদা হয়েং সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা করি হায়রক্কদৌরি।

মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন অদুদা টি ঐচ শ্যামকুমারনা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবনি অদুগা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা বি জে পিগী টিকেটতা মহাক্না লম্বা তৌনখিবনি। মীখল অদুগী রিজল্ট মার্চ ১১, ২০১৭তা লাউথোক্লবা মতুং ইকান কান্নদনা ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ইলেক্সন পিটিসন অসি ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসন অদুনা হায় কোর্টতা হায়জখিবনা টি ঐচ শ্যামকুমারবু মীখল অদুগী রিজল্টতা অন্দ্রো এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়দুনা লাউথোকখিবা অদু চৎনহনবীগনু। মীখল অদুগী রিটর্নিং ওফিসরনা লাউথোকখিবা রিজল্ট অদু ক্ৱাশ তৌবীবগা লোয়ননা পিটিস্নর ওইরিবা মহাকপু মীখল অদুগী ইলেক্তেদ মেম্বরনি হায়দুনা লাউথোকপীয়ু। অদুগা টি ঐচ শ্যামকুমারগী মথক্তা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১২৫ এ অমসুং ১২৭কী মখাদা ক্রিমিনেল প্রোসিদিং লৌখৎপীয়ু হায়বসিনি।

পিটিস্নর ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী ইলেক্সন পিটিসন অদুগী ৱায়েল চথরকপদা মতম কুইনা চঙহন্দুনা কেস অদুগী ফাইনেল দিস্পোজেল তৌবীদ্রে হায়দুনা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা রিট ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ক্রোর ১০ রোমগী দল্লিয়ু ৱাই ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
ঙরাং নুংমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা মোরেগী টি মিনৌদা লৈবা ৪৩শুবা অসাম রাইফলসকী টিম অমনা মোলনোম খুল মনাক্তগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ১০ রোমগী ওইগদবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটশিং ফারে হায়রি।

মফম অদুদা ইল্লিগেল দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌরে হায়বা পাউদগী চঙশিল্লুবদা ম্যান্মারগী গাড়ী মচা (কেনবো) থৌরগা লাকপা নুপা অমা খাম্নবা হোৎনরুবদা গাড়ী অদু হুন্দোক্লম্লগা ম্যান্মারগী ঙমখৈ রোমদা অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## বোরা গল্লিদা লৈরম্বা মীওই শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস):
ঙরাং নুংথিল পুং ২.৪৫ রোম তারকপদা ফংখিবা পাউগী মতুংইন্না থঙ্গাল কৈথেলগী বোরা গল্লিদা মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবা নুপা অমা ৱাখল তাদনা লৈরম্বদগী সিটি পুলিসনা লায়েংনবগীদমক রিমসতা পুখৎলুবদা ডাক্তরশিংনা শিরগা পুরক্লে হায়রকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পি এস অসিনা য়ু দি কেস অমা লৌখৎলগা হকচাং অদু জেনিমসকী মোর্গতা থমখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অসি ফুট ৫গা ইঞ্চি ৫ ৱাংই, মমায় কোয়দানৈ, মশম অমসুং মমিৎ মুই, কুচু ঙৌই, মশা পারপ তৌই হায়রি।

## কেপ্তেন রিচার্দ লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, জুলাই ২৭ : ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৩০ রোম তারকপদা পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী লান্মী শঙলূপ রেদ আর্মি (আর এ) গী শিংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়দগী কেপ্তেন রিচার্দ এলিয়জ রোনাল্ডজিৎ (৪৬) মশাগী ওইবা অনাবা অমনা মরম ওইদুনা তাইবঙপাল থাদোকখ্রে হায়রদুনা প্রিপাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী পব্লিসিটি ওফিসর অচৌবনা থোরকপা চেরোল ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৭৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৭.৬৬ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৭৪
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০১

## HL Poll

Q: Medal fanglaktrabasu Tokyo Olympic ta saruk yarubi Judokan Sushilabusu leingak amadi meeyamna okpipham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Silver medalist Saikhom Mirabai chanuda Additional SPgi rankta appointment pigani hairibasi matik chare haina louba yarabra?

Yes 30% No 70%

## অস! লোইরেহে!

- ঐ অমা লৈনা লৈনা করিগী নুপী অমা পুশিল্লক্লিবনো?

- [illegible]



- ঐ অসে নুপী অঙাংবু য়াম্না লুনা তৌই খঙদবরা?

- [illegible]

### শুগুনুদা টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী থবক
# ‘অতোপ্পা হোস্পিটালদগী ষ্টাফশিং লৌদুনা শীজিন্নরি’

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):
শুগুনু এসেম্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোভিদকী মাস টেষ্টিং অমদি মাস ভেক্সিনেসন তৌবদা লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং অতোপ্পা হোস্পিটালশিংদগী লৌদুনা এ সী অসিগী মীয়াম কোভিদতগী কন্নবা অঙণ্বা থাক্তা হোৎনরি।

ৱাফম অসি শুগুনু এ সীগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখিবনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন (ককচীং) অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টতা হায়দুনা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক্তক্লনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা হোৎনরি হায়বা ৱাফমসু এম এল এনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হয়েংনা



ৱারুকোকতা মাস টেষ্টিংগী থবক পাঙথোক্কনি হায়রি।

ঙসি শুগুনু এ সীগী ৱাঙু লাইফম অপ্পর প্রাইমারি স্কুল অমদি ককচীং খুনৌ কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মাস টেষ্টিংগী থবক অদুবু য়েংশিল্লখিবা এম এল এনা মখা তানা হায়, লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯গী টেষ্ট য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা তৌননবা লাউথোকখ্রবসু শুগুনু এ সীদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংগী ডাক্তর, লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন য়াওনা পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং ৱাৎপনা হৌজিক এ সী অসিদা চথরিবা মাস টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী থবক খুদিংমক্তা অতোপ্পা হোস্পিটালশিংদগী ষ্টাফশিং কৌবদা চৎথোক চৎশিনগী গাড়ী ৱাইবদা লুপা লিশীং ২/২ হেন্না পীদুনা লৈরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা শুগুনু এ সীদা হাংদোক্লিবা কম্যুনিতি হোম আইসোলেসন সেন্টর (জে এন ভি), সন্দুম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# ওগষ্ট ৩ ফাওবা কর্ফিয়ু শাংদোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):
থা অসিগী ১৬তা ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবা চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমনা মণিপুর পূম্বদা থা অসিগী ১৮দগীনা ঙসি ফাওবগী ওইনা থম্লকখিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অদুগী মতম ঙসি লোইশিল্লকপগী মাঙওইননা অতোপ্পা ওর্দর অমমুক থোক্তুনা থম্লক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসি মথং থাগী ৩ ফাওবা নুমিৎ ৭নিগী ওইনা শাংদোক্লগনি হায়রি।

মসিগী মতাংদা ঙসি চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেসকুমারনা অনৌবা ওর্দর অমা থোকখ্রে। ওর্দর অসি মহাক্না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ২০ (২) (এ) গী প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেয়রপর্সন অমা ওইনা থোকপনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মথং থাগী ৩ ফাওবা নুমিৎ ৭নিগী ওইনা শাংদোরক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা অসিগী মনুংদা নুমিৎ হুমনিগী ওইনা অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২.৩০ ফাওবা ইন্সুরেন্স ওফিসশিং হাংবা য়াগনি হায়রি। মসিগী মথক্তা হান্নদগী অয়াবা পীদুনা লাক্লিবা ঈ-কম্মসকী হোম দেলিভরিদা মনা-মশিং, ঙা, শা অমদি গ্রোসরি আইটেমশিংসু য়াওরগনি। অদুগা অয়াবা পীরবা দেলিভরি ষ্টাফশিংনা অথোংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং হোম দেলিভরি তৌবদসু অয়াবা পীরে হায়রি। অদুম ওইনমক ঙসিগী ওর্দর অসিনা ইন্সুরেন্স ওফিসশিং হাংগদবা অকক্লবা নুমিৎ মশীংদি পল্লকত্রি।

### রিমসকী কম্যুনিতি মেদিসিনগী ওফিসলশিংনা হায় :
# ‘চিংনদনা ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু’




ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) :
হৌজিক মণিপুরদা কোভিদ লায়না লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভকী লাল্লক অসিদা অনৌবা দেল্টা ভেরিয়েন্ট অমা অমুক লাক্তুনা ষ্টেট শিনবা থুংনা শন্দোরক্লবসু ভেক্সিন কাপথোক্তবা মীওই কয়া অমা লৈরি। মীয়াম্না ভেক্সিন কাপ্পদা চিংনরিবশিং অসি কোক্লনবগীদমক পাউচে অসিনা অখন্ননা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সে (রিমস)কী কম্যুনিটি মেদিসিন দিপার্টমেন্ট ওফিসিএলশিংগা ৱারী শান্নরুবদা ভেক্সিন কাপথোকপগী কান্নবা অমদি কাপথোক্তবনা মাঙজবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন সেফ ওইবরা নৎত্রগা হকচাংদা শোকহনবরা হায়বসি মীয়াম্না তোয়না হংনবা ৱাফমনি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইনা য়াম্না কুপ্না থিজিন্দুনা টেষ্ট কয়া তৌরবা মতুংদা মীওইবনা শীজিন্নবা য়ারে অমদি মসিনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়না খঙলবা তুংদা পুথোরকপনি। ভেক্সিন কাপ্পা হৌরবা মতুংদসু করি-করি থোক্লকপরা হায়দুনা শেন্নবা লেপত্রি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রবা মতুংদা হীদাক কাপফম মফমদা নাবা খরা ফাওবা, লাইহৌ হৌবা, নিংথম চনবা, হকচাং চোকথবা, কোক চিকপা, হকচাং থিন্দোকপা খরদি য়াওনৈ। অদুবু কা হেন্না এলর্জিক রিএক্সন থোক্তুনা মী নাবগী চাং য়াম্না নেম্মি। হায়রিবা শাথিবা এলর্জিক রিএক্সন অসি অয়াম্বনা মিনট ১৫গী মতুংদা থোকহল্লি। মরম অদুনা ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা সেন্টর অদুদা মিনট ৩০ ওভর্জবেসন তৌদুনা থল্লিনি। করিগুম্বা রিএক্সন থোক্লক্লবসু দোক্তরশিংনা মদুবু য়াম্না লায়না লায়েংবা ঙম্মি।

মীওই খরনা য়াম্না তোয়না হংবা ৱাহং ভেক্সিন কাপখ্রবসু কোভিদ-১৯ লায়না নারকপা য়াব্রা হায়বসিনি। কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্লবসু কোভিদ-১৯ লায়না অমুক নারকপা য়াই। কোভিদ ভেক্সিন খক নত্তনা মালেমদা শীজিন্নরিবা ভেক্সিন খুদিংমক চাম্মদা চাম্মা লায়না অদু ঙাকথোকপা ভেক্সিন লৈতে। তৌইগুম্বসুং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন দোজ অনী কাপ্লবা মতুংদা কোভিদ লায়না নাবগী চাং য়াম্না হন্থে। ভেক্সিন কাপ্লবা মতুংদা কোভিদ মহীক চঙলক্লবসু লায়না ওইনা নাবা অমদি হোস্পিটালদা মীং চন্দুনা লায়েংবগী চাংদি য়াম্না নেম্মি। লোয়ননা শিবসু থোক্তে হায়বা য়াই। হৌজিক কোভিদনা মণিপুরদা শিরিবা মীওইশিং অসি ভেক্সিন কাপ্তবা ঙাক্তনি। করিগুম্বা ভেক্সিন কাপ্লবসু দোজ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# পোজিটিভ ১১৬৫ থেংনরে, ১১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):
ঙরাং অনৌবা পোজিটিভ কেস ৯৮৯ থেংনরগা মীওই ৯ খক্তমক লৈখিদ্রবসু ঙসিদি অমুক হেনগৎলক্তুনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১১৬৫ (মীচম মীয়াম - ১১৬১, নুপা ৫৮৬, নুপী ৫৭৫ অমসুং সী এ পি এফ ৪) থেংনরগা মীওই ১১ লৈখিদ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ত্রোল রুমগী চেরোলগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা পোজিটিভ কেসশিং অসি রিমসতা ১০, জেনিমস ১০০, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৮৩১ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদা ২২৪ থেংনবনি হায়রি। পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৯৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩৩৭, থৌবাল ৫৮, বিষ্ণুপুর ১০৫, ককচীং ৬৩, উখ্রুল ১২, চূড়াচান্দপুর ১২৩, চান্দেল ৬৬, সেনাপতি ৮, তমেংলোং ৩১, তেংনৌপল ২, নোনে ৯, কাংপোকপী ২৩, কামজোং ১২ অমসুং জিরিবামদগী ১৩নি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিগী রিপোর্ট মতুংইন্না মীওই ১১ লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট ২, ইম্ফাল ইষ্ট ২, থৌবাল ২, ককচীং ১, উখ্রুল ১, কাংপোকপী ১ অমসুং চূড়াচান্দপুরদগী মীওই ২নি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১১ অসিগী মনুংদা ৮না কো-মোবির্দিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি। অদুগা মীওই ৩না অহানবা দোজগী ভেক্সিন ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# নুংঙাইতে অদুবু পূক্নিংদি শোন্থদ্রি : সুশিলা

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) :
লৈবাক মীয়ামগী নিংবা থুংবা ঙম্নবা অঙণ্বা থাক্তা হোৎনখিগনি। টোকিওদগী হেক হল্লকপা নুমীৎতগী মখা তানা ট্রেনিং তৌবা হৌরে হায়না টোকিও ওলিম্পিকতা ইন্দিয়াগী ওইনা জুদো মশান্নদা শরুক য়াখিবী লিকমাবম সুশিলানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।



সুশিলা টোকিওদগী হল্লক্লবা মতুংদা হৌজিক গুরগাউদা এস এস বি গর্লস টিমগা লোয়ননা পুন্না লৈমিন্নরি। মশাগী ওইবা থবক খরা লৈবনা মণিপুরদা করম্বা মতমদা থোরক্কনি হায়বগী চপ চাবা মতম খঙদনা লৈরি। লৈবাক মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্না সপোর্ট তৌবিখিবা অসিগীদমক থাগৎপা অমদি নুংঙাইবসু ফোংদোরকখি।

পাউচে অসিদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিকতা শরুক য়ারুবা অসিদা তমজনিংঙাই ওইবা পোৎশক কয়া খঙবা ঙল্লকখি। মদুদগী থেংনরকপা এক্সপরিএন্সশিং অদুনা তুংদা লাক্কদবা ইভেন্ট কয়াদা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি। হন্দক্কী টোকিও ওলিম্পিক অসিদা মেদল লৌবা ঙল্লক্তবসু অঙণ্বা থাক্তা হোৎনদুনা মথংগী ওলিম্পিকতা শোয়দনা মেদল অমা লৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি। লৈবাক মীয়ামগী নিংবা থুংনবা অমুক্কা হেন্না অচেৎপা ফীরেপ অমগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌবা হৌরে।

তশেংনা মীয়াম্না থাজবা থমখিবা মপুং ফাহনখিদবা অসি নুংঙাইতবদি ফাওই। অদুবু পূক্নিং শোন্থবদি লৈতে। ঐহাক্না মেদল লৌরকপা ঙমদ্রবসু ৱেথলিফটিংদা পোক্লফম লমদমগী সাইখোম মিরাবাইনা সিলভর লৌরকপা ঙমখিবা অসি তশেংনা নুংঙাইবা অমদি ইরমদমগী ওইনসু য়াম্না চাওথোকচবা ফাওই। লোয়ননা হৌজিক টোকিওদা লৈহৌরিবা ইরমদমগী এম সী মেরিকোম, সুসিলা, নিলকমল অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মেদল লৌরক্তুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইসনু হায়না ফোঙদোরকখি।

# চহী কয়া শেমজিল্লক্ত্রবা মিরাবাইগী য়ূম ফাওবগী লম্বী ঙসি অয়ূক শেন্নম্লে

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচ এন এস) :
টোকিওদা পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক গেমসতা ৱেথলিফটিং মশান্নদা সিলভর মেদল লৌবা ঙম্লকখ্রবী সাইখোম মীরাবাইগী য়ূম লল্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈরিবা নোংপোক ককচীংগী লম্বীগী ফীভম হৌখিবা চহী কয়াদগী অসুক্কী মতিক ফৎতনা লৈরকখি। মীরাবাইনা ময়ূমদা থুংগদবা নুমীৎকী অয়ূক অঙনবদা হান্না লৈরিবা ফৎখিদ্রবা কোমকুৎশিংতনা পিক থল্লবা লম্বীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চীংলৈবাক থাদুনা লম্বী তেমখাইদুনা শেল্লম্বা উবদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা ঙক্কখ্রে।





ইম্ফাল ইষ্টকী লল্লাই এসেম্লি কন্সটিট্যুন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা মীরাবাইগী ময়ূম নোংপোক ককচীং ফাওবগী মরক্তা লৈরিবা নাপেৎ পল্লিদগীনা থৈওং অমদি ইথম-মোইরাংপুরেল তাবা ফাওবগী লম্বী অসি হৌখিবা চহী কয়াদগী খুঞ্জাশিংনা লম্বী শেম্বিয়ু হায়দুনা লাক্লবসু শেম্বিদনা লাকখিবনি। নাপেৎ পল্লিদগীনা নোঙ্গ্রেন অমদি নোংপোক ককচিং ফাওবগী লম্বীগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদসু লম্বীগী ময়াইদা অমদি মতাইদা অচৌ-অচৌবা কোমকুৎ কয়া লৈবনা লম্বী অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখি। লম্বী অসিদা নুমীদাংগী মতমদা চৎপদদি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। অদুবু য়াম্না ঙকপা থৌদোক অমা ওইনা ঙসি টোকিও ওলিম্পিকতা সিলভর মেদল লৌদুনা ময়ুমদা হল্লক্লিবি মীরাবাইগী ময়ুম ফাওবদা লৈরিবা ফৎত্রবা কোমকুৎকী কোমকুৎ ঙাক্তা ঙাইরবা লম্বীশিং অসিদা টাটা গাড়িদা পুরক্তুনা চীংলৈবাক লোদ কয়া থাদদুনা শেমজিন শাজিল্লমখ্রে হায়রি।

ঙসি মীরাবাইগী য়ূমদা লৈঙাক্কী ফম্লাইবা অচৌ-অশাং কয়াসু লাকখি। লোয়ননা মীরাবাই ওকপগী থৌরম কোভরেজ তৌনবা অমদি মীরাবাই অমসুং ইমুং মনুংগী ইন্টরভিয়ু লৌনবগী নেসনল ন্যুজ চেনেল কয়াসু নোংপোক ককচিংদা লাকখি। নোংপোক ককচিং ফাওবগী ফৎত্রবা লম্বী অসিগী মফম কয়াদা নোংম-নীনি অসিগী মনুংদা চিংলৈবাক টাটা লোদ কয়া থাদদুনা শেম্বিরল্লিবা অসি তশেংনা লম্বী অসিগী মতাইদা তারিবা খুঞ্জাশিংনা চহী কয়াদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লিবা অসিবু খঙবি-উবিরদুনা অমদি নুংশিবিবদগী শেম্বিরিবরা নৎত্রগা ফৎত্রবা লম্বী অসি লৈবাক মীয়ামনা অমদি নেসনল ন্যুজ চেনেলশিংনা খঙখি-উখ্রগনি হায়না তৌদ য়াদবগী তৌরল্লিবরা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

# জেল ইনমেটশিংগী কম্যুনিকেসন ফগৎলে

ইম্ফাল, জুলাই ২৭ (ঐচএনএস):
মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, ইম্ফালগী ওফিসলশিং অমসুং ইনমেটশিংগী ওনলাইন লিগেল এৱ্যের্নেস কম ইন্টরেক্টিভ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।



ঙসি পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসি ‘কেম্প্যেন ফোর এনহান্সিং ইফেক্টিভ লিগেল এইদ এন্দ সর্ভিসেস টু প্রিজিনরস’ হায়বা মসলসানা ইনিসিএট তৌবা কেম্প্যেন অসিগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ তারকপদগী নুংথিলগী পুং ২.৩০ ফাওবা চথখিবা প্রোগ্রাম অদু মসলসাগী মেম্বর সেক্রেটরি ওজেস মুতুমনা ইম্ফাল সেন্ট্রেল জেলগী সুপরিন্টেন্দেন্ট এ কুঞ্জকেশ্বর অমসুং মসলসাগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সদানন্দ সোরোকখাইবমগা লোয়ননা চেয়র লৌমিন্নখি। ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুনা জেলদা লৈরিবা ইনমেটশিংগী রাইটসশিং ফংহনবগী মথক্তা জেল লিগেল এইদ ক্লিনিক, জেলগী ওফিসলশিং অমসুং ইনমেটশিংগগী মরক্তা কম্যুনিকেসনগী ফগৎলক্লিবা থবকশিংগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫